# পাকিস্তানদা সিক্যুরিটিগী তেংবাং পীবা লেপ্পা হফিজ সয়ীদ থাদোকখিবগা মরী লৈনদে

ৱাশিংটন, জান্যুৱারি ০৫ (এজেন্সি) :
পাকিস্তানদা দোলর বিলিয়ন ১.১ গী সিক্যুরিটিগী তেংবাং পীবা লেপ্পবা দোনাল্ড ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা লৌখিবা ৱারেপ ইস্লামাবাদনা মুম্বাই টেরর মাষ্টরমাইন্দ হফিজ সয়ীদকী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎতবগা মরী লৈনদে হায়না য়ু এসকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ২০০৮ দা চথুখিবা মুম্বাই টেরর এটেক্কী মাষ্টরমাইন্দ অদুবু পাকিস্তানদা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থম্লম্বদগী থাদোকখিবগী মতাংদা ঐখোয়দা তশেংনা নুংঙাইতবা লৈ। অদুবু ঐহাক্কী নোলেজদদি মদুগা সিক্যুরিটি তেংবাং পীবা লেপ্পগী ৱারেপকা মরী অমত্তা লৈনদে হায়না ষ্টেট ডিপার্টমেন্টকী স্পোক্সমেন হিথর নাওরেটনা হায়খি।

পাকিস্তাননা হৌখিবা নবেম্বরদা থাদোকখিবা মুম্বাই এটেক্কী মাষ্টরমাইন্দ হফিজ সয়ীদকা সিক্যুরিটি তেংবাং পীবা লেপ্পগা মরী লৈনব্রা হায়না হংবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা নাওরেটনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

পাকিস্তানদা থাদোক্লগা থল্লিবা মুম্বাই এটেক্কী মাষ্টরমাইন্দ অদুবু অমুক হন্না ফানবগী পাউ পীবা ঙম্বশিংদা য়ু এসনা অমুকসু দোলর মিলিয়ন ১০ গী শেলগী মনা লাউথোক্লে। অদুনা মীওই অদুবু থাদোকখিবগী মতাংদা ঐখোয়দা তশেংনা নুংঙাইতবা লৈ। মসিনা মরম ওইদুনা মীওই অদুগী জষ্টিস প্রোগ্রামগীদমক্তা দোলর মিলিয়ন ১০ গী মনা লৈ হায়বসি ঐখোয়না মীয়ামদা নীংশিংবা পামই হায়না নাওরেটনা ফোঙদোকখি।

ষ্টেট ডিপার্টমেন্টকী সিনিয়র ওফিসল অমনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি য়ু এসনা হক্কানি নেটৱার্ক অমসুং টালিবানগী মতাংদা নত্তনা ইন্দিয়াদা টার্গেট তৌবা লাস্কর-ঈ-টাইবা অমসুং জাইশ-ঈ-মোহম্মদকুম্বা টেররিষ্ট গ্রুপশিংগী মতাংদসু য়ু এসনা পাকিস্তানগা ৱারী শানৈ।

ঐখোয়না হৌজিক মহৌশাগুম্না পাকিস্তানগা বিজনেস তৌনবগী মরী অমা মখা তানা থম্নবা ঙমদরে। মখোয়গা শানবা অসিগুম্বা ৱারী অসি এদমিনিষ্ট্রেসন অসিদা অনৌবা অমা নত্তে। পাকিস্তাননা হক্কানি নেটৱার্ক অমসুং টালিবানদা চঙজফম পীবগী মতাংদা নুংনাংবা তশেংনা লৈ। লাস্কর-ঈ-টাইবা অমসুং জাইশ-ঈ-মোহম্মদকুম্বা এন্টি-ইন্দিয়ন গ্রুপশিংনা তৌবা ঙম্বশিংগী মতাংদসু ঐখোয়দা নুংনাংবা লৈ হায়না মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা ওফিসল অদুনা হায়খি। হাউস এরেষ্ট তৌরম্বদগী হন্দক্তা থাদোকখিবা হফিজ সয়ীদ অসি অমেরিকানা চহী কয়ামুক পাকিস্তানগা ৱারী শানরকপা ইস্যুশিংগী মনুংদা অমনি। ঐখোয়না হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদা মহৌশাগুম পাকিস্তানগা থবক তৌমিন্নবগী মরী মখা তানা থম্নবা ঙম্লোই হায়না ওফিসল অদুনা ফোঙদোকখি।

ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা ওফিসল অদুনা য়ু এসনা পাল্লিবগুম পাকিস্তাননা হফিজ সয়ীদপু অমুক হন্না ফাগদবা মান্দে হায়বা ৱাফমবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। 'মখোয়না অসিগুম্বা খোঙথাং অমত্তা লৌখৎলোই হায়বগী ইঙ্গিৎ অমত্তা ঐখোয়দা পীরক্ত্রি।' ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা ইফোং ফোংনা ফোঙদোকখিবা অকনবা ৱাফম কয়াদা মখোয়না তশেংনা নুংঙাইতে হায়বসি পাকিস্তাননা নাখৈ শেংনা হায়খ্রবনি।




# কাবুলদা ইস্লামিক ষ্টেটকী সুইসাইদ এটেকতা মীওই ১৩ শিরে, ১৮ শোক্লে

কাবুল, জান্যুৱারি ০৫ (এজেন্সি) :
ইস্লামিক ষ্টেটনা ক্লেম তৌখিবা কাবুলদা চথুখিবা এটেক অমদা শিখিবা মী মশিং ১৩ য়ৌরে হায়না ওফিসলশিংনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। মিলিটেন্ট গ্রুপ অদুনা অফঘান কেপিটেলদা চথুরকখিবা মীশি-মীনা থোকহনবা থবকশিংগী মনুংদা মসিনা খ্বাইদগী নৌবনি।

শগোলশেন নুমিৎকী ব্লাষ্ট অদু রেইদ অমগা মরী লৈনবা খোইরাং খোইশাওরবা প্রোটেষ্টরশিংগা খূৎ থোক্নখিবা পুলিস কাঙবুদা টার্গেট তৌখিবনি। লোনা য়াদবা মওংদা ড্রগ অমসুং য়ু য়োনবনচিংবা তৌবা সোপকীপ্পরশিংগী মায়োক্তা রেইদ অদু চথুখিবনি।

অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা সুইসাইদ বোমর অমনা মীয়াম মরক্তা মশাদা য়াওবা এক্সপ্লোসিভশিং পোকখায়হন্দুনা এটেক অদু চথুখিবা মীওই কয়া শিখি অমসুং অতৈ মীওই দজন হেন্না শোকখি হায়না কাবুল পুলিসকী স্পোক্সমেন অব্দুল বশির মুজাহিদনা এ এফ পিদা ফোঙদোকখি।

অশিবা মীওই পূম্নমক পুলিসনি। অশোকপশিংদুগী মনুংদা ১৬ তি ওফিসরশিংনি অমসুং অনীনা মীচমশিংনি হায়না ডেপ্যুটি ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন নাশ্রট রহিমিনা পাউমীশিংদা হায়খি।

বোমর অদু প্রোটেষ্টরশিংগী মরক্তগী থোক্লকখিবনি। মহাক্লা ঐখোয়গী পুলিস ফোর্সশিংদা টার্গেট তৌখি। মহাক মীচমগী ফিজোল শেৎখি হায়না রহিমিনা ফোঙদোকখি।

ব্লাষ্ট অদুনা উশিংগী উকু শেৎতোকহনখি। মনাক নকপা এপার্টমেন্টশিংগী থোংনাওশিং কায়হনখি। সুইসাইদ বোমর অমখক্লা অমাঙ-অতা কয়া থোকহনবা ঙম্বগী ফিভমদু ব্লাষ্ট অদুনা উৎখি। থৌদোক থোকফমদুদগী কিলোমিটর কয়া লাপ্পা লৈবা এ এফ পিগী রিপোর্টর অমনা পোকখায়বগী মখোলদু তাখি। কুমজা ২০১৫ দা লমদম অদুদা আই এস থোক্লকপা হৌখিবদগী গ্রুপ অসি অফঘানিষ্টানদা খোঙফম চেৎলকপগী মওং উখি। সিক্যুরিটি ইনষ্টোলেসনশিং, লৈবাক অসিগী সিয়াইট মাইনোরিটি য়াওনা গ্রুপ অসিনা কাবুলদা এটেক চথুবা হেনগৎলকখি।

শগোলশেন নুমিৎকী এসোল্ট অদু চহী অসিদা আই এস মিলিটেন্টশিংনা কাবুলদা চথুবা অহানবা অচৌবা এটেকনি। হন্দক চয়োল খরসিদা কাবুলদা পরিং ওইনা চথুখিবা শাথীরবা এম্বুসশিংগী মনুংদা মসিনা খ্বাইদগী নৌবনি।



# আই এস আই এসনা হমাসকী মায়োক্তা লান লাউথোকখ্রে

জেরুসালেম, জান্যুৱারি ০৫ (এজেন্সি) :
ইজিপ্টকী সিনাই পেনিন্সুলাদা লৈবা কাহেনবা চৎপা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী ব্রাঞ্চনা নক্লনা লৈবা বেজ ওইবা পলিষ্টিনিয়ন হমাস গ্রুপপু নৌহৌননা শীংনরদুনা খোঙলোয়শিংদা পলিষ্টিনিয়ন গ্রুপ অদুদা এটেক তৌনবা খঙহনখ্রে। ইস্লামিক ষ্টেটকী মায়োক্তা থবক তৌবদা য়াওবনি হায়বা মীওই অমা হাৎপগী মিনিট ২২ শাংবা ভিদিও অমদা গ্রুপ অসিনা অপীল অদু তৌখিবনি।

ইস্লামিক ষ্টেটকী থৌওং অদুনা হৌখিবা চহী ১০ রোম অসিদা হমাসনা কন্ট্রোল তৌবা পলিষ্টিনিয়ন এনক্লেভ গজাগী সিক্যুরিটিগী ফিভম হেন্না লুশিনহল্লকপা য়াই হায়না এনালিষ্টশিংনা হায়রি।

'কৈদৌঙৈদসু মখোয়দা সরেন্দর তৌগনু। মখোয়গী মায়োক্তা এক্সপ্লোসিভশিং, সাইলেন্সর য়াওবা পিষ্টলশিং, ষ্টিকি বোমশিং শীজিন্নৌ। মখোয়গী কোর্টশিং অমসুং মখোয়গী সিক্যুরিটি লোকেসনশিংদা বোমিং তৌগদবনি মরমদি মখোয়সি মখোয়গী মীওৎ-মীনৈ তৌবা ওথোরিটিগী য়ূন্বীশিংনি হায়না থাঙ মচা অমা পায়বা ইস্লামিক ষ্টেটকী মীওই অদুনা ভিদিও কোলিং অদুদা হায়খি। মসি এক্সট্রিমিষ্ট ৱেবসাইটকী মোনিটর তৌবা এস আই টি ঈ ইন্টলিজেন্স গ্রুপ অমনা চাইথোকপা ট্রান্সলেসন অমগী মতুং ইন্ননি।

ভিদিও অদুদা হমাসনা গজাদা লৈবা জিহাদিষ্ট গ্রুপশিংগী মায়োক্তা চথুখিবা ক্রেকদাউন অমসুং য়ু এসনা জেরুসালেমবু ইজরেলগী কেপিটেল ওইনা লাউথোকপা থিংবা ঙমখিদববু গ্রুপ অদুদা এটেক তৌনবগী মরমশিং ওইনা পীখি। মদু হৌখিবা থাদা প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা জেরুসালেমগী মতাংদা লাউথোকখিবগী ভিদিও ক্লিপ অমগা লোয়ননা হৌখি।

হমাসনা গজাদা লৈবা ইস্লামিক ষ্টেটকী সপোর্টরশিংবু ফাবা-পুনবগী থবক কয়া পায়খৎলকপা অমসুং ইজিপ্টকা মরী ফগৎহন্নবগীদমক্তা সিনাইগা লোন্নবা বোর্দর মফমশিংদা সিক্যুরিটিগী চেকশিন-থৌরাং কনখৎহনখিবদগী মিলিটেন্ট গ্রুপ অনীনা চহী অমরোম হেন্না মুক্লদুনা লাকখি।

ভিদিও অদুদা হমাসকী মিলিটরি ৱিংদা মতেং পাংবনি হায়বা ইস্লামিক ষ্টেটকী হান্নগী মেম্বর অমা অতোপ্পা মীওই অমনা হাৎপা উখি।



# য়ু এস, সাউথ কোরিয়ানা মিলিটরি ড্রিলস য়েথোকখিবদগী নোর্থ কোরিয়ানা ৱারী শানবগী ৱাফম য়াখ্রে

সিওল, জান্যুৱারি ০৫ (এজেন্সি) :
চহী অনী হেনবগী মনুংদা অহানবা ওইনা ঙসি নোর্থ কোরিয়ানা মথং চয়োলদা সাউথ কোরিয়াগা ওফিসল ৱারী শানবগী ৱাফম য়াখ্রে। নোর্থকী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল প্রোগ্রামশিংগা মরী লৈনবা উংখৎনবা ফিভম হেনগৎলক্লিঙৈ মরক্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং সাউথ কোরিয়ানা লৈবাক অনীগী ওইবা মিলিটরি এক্সরসাইজ অমা থীন্থহনখিবা মতুংদা পিয়োংয়াংনা সাউথকা ৱারী শানবগী ৱাফম য়াখিবনি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ৱারী শানবদা য়াবগী ৱারোল অমা নোর্থকী মায়কৈদগী থারক্লে হায়না সাউথ কোরিয়ানা ফোঙদোকখ্রে। কোরিয়া অনীনা মমাঙদা ইকোন কোন্না ওফিসল ওইনা ৱারী শানখিবসি কুমজা ২০১৫ গী ডিসেম্বরদনি।

মীফম অদু বোর্দরগী ট্রুস ভিলেজ পানমুনজোনদা পাঙথোক্কনি। মদুদা নাকল অনীগী ওফিসলশিংনা মথং থাদা সাউথ কোরিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিন্টর ওলিম্পিক্স অমসুং অতৈ কোরিয়া মশেলগী ওইবা ইস্যুশিং খন্নগনি হায়না সাউথ কোরিয়ন য়ুনিফিকেসন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন বাইক টে-হ্যুনা পাউমীশিংদা হায়খি।

নীংথীনা রেকোর্দ তৌবা এক্সচেঞ্জ-শিংগী খুথাংদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অদুগীদমক্তা নোর্থ কোরিয়ানা মখা তানা নিগোসিয়েসন চথনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি হায়না বাইকনা হায়খি। নোর্থ কোরিয়ন লীদর কিম জোং উননা ন্যু য়র নুমিৎকী স্পীচ অমদা সাউথ কোরিয়াগা ৱারী শাননবগী থোঙ হাংলদুনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা টেন্সন হন্থহন্নবগী ৱাফম হৌদোকপগা লোয়ননা নোর্থসু ৱিন্টর ওলিম্পিক্সতা শরুক য়ানিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি।

তৌইগুম্বসুং কিমনা ন্যুক্লিয়র খূৎলায়গী ৱাফমদা মহাক্কী হান্নগী ফিরেপ হোংদবগী ফিভম উৎখি। নোর্থনা ন্যুক্লিয়র মিসাইলশিং ডিপ্লোই তৌনবা মশিং য়াম্না শারগনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা কিমনা করিগুম্বা মহাক্কী লৈবাক্তা কিহল্লক্লবদি মহাক্লা ন্যুক্লিয়র ষ্ট্রাইক অমা চথুগনি হায়না অমুক হন্না চেকশিনৱা হায়খি।

চহীগী ওইবা অচৌবা স্কেলগী মিলিটরি ড্রিলশিং অদু হৌজিক ওলিম্পিক্স মতুংদা ওইনা পাঙ-থোক্লগনি হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমসুং মহাক্কী সাউথ কোরিয়াগী লেংমান্নবা মূন জে-ইননা শগোলশেন নুমিৎতা লাউথোকখি।

নোর্থ কোরিয়ানা অসিগুম্বা ড্রিলশিং অসি লান্দানবগী শেম-শাবা অমসুং য়ু এনগী অথিংবশিং খোঙ্গাওনদুনা খূৎলায় প্রোগ্রামশিং পায়খৎনবগী অচুম্বা মরম ওইনা উরি।

# গ্বাদরদা চাইনিজ মিলিটরি বেজ শানবগী ৱাফম লৈতে : ইস্লামাবাদ

ইস্লামাবাদ, জান্যুৱারি ০৫ (এজেন্সি) :
গ্বাদরগী মনাক নক্লা চাইনিজ মিলিটরি বেজ অমত্তা শানবগী প্রপোজেল লৈতে। মসি চাইনা-পাকিস্তান ইকনোমিক কোরিদোর (সী পি ঈ সী) না খুমাং চাওশিল্লকপা অমসুং পাকিস্তানগা চাইনাগা লৈনবা মরী ফগৎলকপগী মায়োক্তা তৌবা প্রপেগন্দা ঙাক্তনি হায়না পাকিস্তানগী ফোরন ওফিস (এফ ও) গী স্পোক্সমেন মোহম্মদ ফাইশলনা ফোঙদোকখ্রে।

চাইনাগী লেমজনিংঙাই ওইরবা ৱান বেল্ট ৱান রোদকী ফ্লেগসিপ প্রোজেক্ট অমা ওইরিবা দোলর মিলিয়ন ৫০ রোমগী সী পি ঈ সী পাকিস্তান-ওকুপাইদ কাশ্মির (পি ও কে) ফাওই। মদুনা চাইনাগী ঈরাং কনবা সিঞ্জীয়াং রিজনগা পাকিস্তানগী বালোচিষ্টান প্রোভিন্সকা শম্নহল্লি। পি ও কে ফাওবনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী সী পি ঈ সী পায়খৎপদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ানা ইন্টরসেপ্টর মিসাইল অমা কাপ্পুনা চাংয়েং তৌবগী মতাংদা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা ফাইশলনা হায়খি, পাকিস্তাননা মতম চুপ্পদা এন্টি-বলিষ্টিক মিসাইল সিষ্টেমশিংনা মরা চেৎপা ফিভমদা অকায়বা পীগনি, মরুওইনা মদুনা লমদম অসিদা খূৎলায় লমজেল অমা লাকহনবা য়াই হায়দুনা লাকখি। ঐখোয়না ইন্দিয়াদা মিসাইল অমসুং ন্যুক্লিয়র খূৎলায়শিং শিংথানিংঙাই ওইনা লাকশিন্নবা য়ানবগী প্রপোজেল কয়া হৌদোকখি। মদুদা বলিষ্টিক মিসাইল ডিফেন্স সিষ্টেমশিং ডিপ্লোই তৌদনবগী কম্মিটমেন্ট য়াওখি।

# টর্কিগী প্রসিদেন্ট ইর্দোগননা ফ্রান্সকা ডিফেন্স কোওপরেসনগী মতাংদা ৱারী শানরগনি

ইষ্টানবুল, জান্যুৱারি ০৫ (এজেন্সি) :
টর্কিগী প্রসিদেন্ট টায়িপ ইর্দোগননা হায়খ্রে মদুদি ইরাই নুমিৎকী মহাক্কী পেরিস খোঙচৎ মনুংদা মহাক্লা নাটোদা য়াওবা মীচং অমা ওইরিবা ফ্রান্সকা ডিফেন্স কোওপরেসনগী মতাংদা খন্নরগনি। মদু টর্কিনা ফ্রাঙ্কো-ইটালিয়ন য়ুরোসাম ডিফেন্স কনসোর্টিয়মগা মরী লৈননা লৌখৎলকপা মরুওইবা খোঙথাং অমনি হায়রি।

টর্কিশ প্রসিদেন্টনা করম্বা ষ্টেপ লৌখৎকদৌরিবনো হায়বদু চপ চানা পনখিদে, তৌইগুম্বসুং টর্কিনা জোইন্ট ডিফেন্স প্রোজেক্টশিংদা কোওপরেসন পীননবা হৌখিবা নবেম্বরদা ফ্রান্স অমসুং ইটালিগা লেটর ওফ ইন্টেন্ট অমা সাইন তৌনখি। মতমদুদা টর্কিগী ডিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ছোর্স অমনা য়ুরোসামগী সাম্প-টি সিষ্টেমদা য়ুন্স্ফম ওইবা মিসাইল সিষ্টেম অমদা য়েংশিল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

কম্মেন্টশিং অদু অঙ্কারানা রসিয়াগা টর্কিদা এস-৪০০ মিসাইল বেটরিশিং য়োন্নবগী একোর্দ অমা সাইন তৌনখিবা মতুং চয়োল অমা কান্নরগা ফোঙদোরক্লিবনি। রসিয়াগা য়ানবা পুরকখিবা টর্কিগী খোঙথাং অদুনা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংবু নুংনাংহনখি। মরুওইনা রসিয়ন মিসাইল সিষ্টেম অদু নাটোগী অর্কিটেকচরগা চুশিন্নবা য়ারোইদবগী ফিভম লৈবনা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা একোর্দ অদুগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোকখিবনি।

ডিফেন্স ইন্দষ্ট্রি য়াওনা লম খূদিংমক্তা ফ্রান্সকা কোওপরেসন হেনগৎহন্নবা ঐখোয়না শেম-শারে হায়না প্রসিদেন্ট ইর্দোগননা পেরিস পাংদ্রিঙৈগী মমাঙদা ইষ্টানবুলদা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা হায়খি। পেরিসতা মহাক্লা ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট ইম্মান্যুঅল মেক্রোনগা ৱারী শানগনি।

টর্কিগী ডিফেন্স মিনিষ্টর নুরেতিন কানিকলিনা হৌখিবা নবেম্বরগী অথেংবদা হায়খি মদুদি মহাক্কী লৈবাক্লা থেংলবদা কুমজা ২০১৭ লোইবা ফাওবগী মনুংদা য়ুরোসাম দীল ফাইনেলাইজ তৌবগী পান্দম থল্লি।

ইর্দোগননা ন্যুজ কনফরেন্স অদুদা জেরুসালেমগী ষ্টেটস, ইরাক অমসুং লিবিয়া লোয়ননা মচেৎ তারবা সাইপ্রস ঈথৎকী খ্বাইদগী নৌবা ডিভলপমেন্ট-শিং অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগা মরী লৈনবা ইস্যুশিংসু মহাক্লা মেক্রোনগা খন্নগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

HL-P/244/19Dec-19Jan.


**/অমাঙথোংগী অকোয়বদা পোমথোক্লগা তংলগা লৈবা, পোমথোক্লগা তংলগা লৈবা অদুনা মরম ওইরগা খোঙ হাম্বদা চিকপা-নাবা, চেকখায়রগা ঈ থোক্লকপা, খোঙ হাম্বা লোয়রকপদা অমাঙথোংদা থুপ্পা শাবা, পুক নুংশিৎ কারগা চানিং থক্লিংবা পোক্তবা ফহনবগী ওজা এম ভি অজাদ ফুসমবু থাগৎচরি**



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাঙথোংদা য়াম্না হাক্কৎচবা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, শা-ঙা চারগনা অমাঙথোংদা হেন্না হাক্কৎচবা অমদি খোঙ হাম্বা য়াদবা, অমাঙথোংগী অকোয়বদা পোমথোক্লগা তংলগা লৈবা, পোমথোক্লগা তংলগা লৈবা অদুনা মরম ওইরগা খোঙ হাম্বদা চিকপা-নাবা, চেকখায়রগা ঈ থোক্লকপা, খোঙ হাম্বা লোইরকপদা অমাঙথোংদা থুপ্পা শাবা, পুক্তা নুংশিৎ কারগা চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, য়াম্না তোয়না খেগৎপা, পুকচেপ্তা নাবা, তাং তাং চিকপা, খ্বাঙ নাবা, লৱাই অমদি খোঙয়া শাবা তৌরম্বা অদু **MV AZAD PHUSAM** ☎ 7628890261, 8014025567 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবা পুম্নমক মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা **এম ভি অজাদ ফুসম**-বু হন্না হন্না থাগৎচরি।


*ওজাগী লায়েংফমশিংদি :*
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal.
2. Yairipok Tulihal Lai Manai Shanta Bazar.
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9.

*থাগৎচরিবা :* **Kh. Ningthem**
*Senjam*

HL-P/4890/6



**/লাইশ্রম সুধাকরবু পাউচেগী থোংদা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি**


L. Sudhakar

সগোলবন্দ খুম্নাম লৈরক আই. টি. আই মনাক ইম্ফালদা লৈবা নুংগী লায়েংবীরিবা ইবুং **লাইশ্রম সুধাকর** (অপোকপা লাইশ্রম নবকিশোর) গী হিদাক চাবদা ঐগী কিডনী অনীমক্তা (RT 6 mm, Lt 5mm) লৈরম্বা নুঙ অনিমক তারে। অল্ট্রাসাউন্দ লৌরুবদসু লৈরম্বা থেংনদ্রে। হৌজিক্তি হকচাং য়াম্না নুংঙাইজরে। মসিগীদমক্তা ইবুং অসিবু পাউচেগী থোংদা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

***Sd/- Wanglembam Lohia Chanu***
Kongba Lai Moriba Mathak

HL-P/4892/6



**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE DEPUTY COMMISSIONER/CHAIRMAN**
**(DBE), IMPHAL WEST DISTRICT**

**ADMISSION NOTICE**

Imphal, the 5th January, 2018

No. 1/10/2013-SSA(IWD)Resi: Applications in the prescribed form are invited for admission in class VI at the **Residential School at Lamboikhongnangkhong** and the **KGBV** (Kasturba Gandhi Balika Vidyalaya), **Mayang Imphal** as per details below for the session 2018-19:

| Particulars | For: Residential School, Lamboi Khongnangkhong | For : KGBV, Mayang Imphal |
|---|---|---|
| Class Structure | VI to VIII (fully residential) | VI to VIII (fully residential) |
| Gender Category | Co-education | Girls only |
| Provisions: | (i) Free lodging and fooding.<br>(ii) Free Uniforms, Text Books and other study materials<br>(iii)Regular Health Care services<br>(iv) State and National exposure facilities | Same as Residential School Lamboikhongnangkhong. |
| Applications invited for: | Class VI (six) only | Class VI (six) only |

2. Preference will be given to children hailing from SC/ST/Minority/OBC and BPL families and who resides in Imphal West district.
3. Application forms are available, free of cost, at and may be submitted latest by 15th January, 2018 to:-
(i) SSA Unit of the Z.E.O. (Zone-I) at Khuyathong, Imphal.
(ii) SSA Unit of the Z.E.O. (Wangoi) near Wangoi Police Station.
(iii) Residential School, Lamboikhongnangkhong (Uripok).
(iv) KGBV, Mayang Imphal (Heigumyangbi)

*Sd/-* **Ningthoujam Geoffrey**
Deputy Commissioner & Chairman (BDE)
Imphal West District

HL-P/4893/6



**SANGAI TUTORIAL**
Kwakeithel near Imphal College (Children Ideal High School)

**ADMISSION OPEN**

**FOUNDATION COURSE for CLASS IX & X (BOSEM)**
Class commencing on 8th January 2018

**FOUNDATION COURSE for CLASS VI, VII & VIII (BOSEM)**
Class commencing on 12th January 2018

HOSTEL & VAN SERVICE

Class timing :- 4:30 - 7:30 pm

7629855465
9615784302



सेन्ट्रल बैंक ऑफ़ इंडिया
Central Bank of India
CENTRAL TO YOU SINCE 1911

**ইম্ফাল ব্রাঞ্চ, মণিপুর**

**ওক্সনগীদমক মীয়ামদা খঙহঞ্জবা**

সেন্ট্রেল বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, ইম্ফাল ব্রাঞ্চনা ফাইনান্স তৌখিবা অমসুং পীফম থোকপা শেনফম পীবা ঙমদবা মরী লৈনবা মীওইদগী ফাগৎলকপা মখাগী ভেহিকলশিংসি য়োঙ্গগনি। ভেহিকলশিং অসি লৈবা পাম্বা মীওইনা ভেহিকল য়েংলনবা অমসুং ভেহিকলগী অকুপ্পশিংগীদমক মখাদা সাইন তৌরিবসিদা কন্টেক্ট তৌবা য়াগনি। ওফর লেটর অদু ইম্ফালদা পীগদবা ইন্টরেষ্ট য়াওরোইদবা আর্নেষ্ট মনি ডিপোজিট ওইগদবা কোসন মনি (ঈ এম দি) ওইনা সী বি আই, ইম্ফাল ব্রাঞ্চকী মিংদা ককপা পে ওর্দরগী রিফন্দেবল/এদজষ্টেবল ওইবা বেঙ্কর্স চেক লোয়নগদবনি। বাইয়র ওইনিংবশিংনা মখোয়গী ওফরশিংদু সিল্ড তৌবা এনভলপশিংদা "ভেহিকল নম্বর **এম এন-০১/৮৭০৮ অমসুং এম এন-০১/৮৭০৯** লৈনবগী কোটেসন" হায়বা সবস্কৃপসনগা লোয়ননা সবমিট তৌবা য়াই অমসুং এনভলপশিং অদু **তারিখ ১৬/০১/২০১৮ গী নুংথিল পুং ৩** ফাওবগী মনুংদা মখাদা সাইন তৌরিবসিদা য়ৌহনগদবনি। সিল্ড তৌবা কোটেসনশিং অদু ওফর সবমিট তৌরবা বাইয়র ওইনিংবশিংগী মমাঙদা তারিখ **১৭/০১/২০১৮ গী নুংথিল পুং ৪** দা হাংগনি। মায় পাক্লবা বিদ্দরশিংনা কোটেসনশিং হাংবা তারিখতগী পারগা থবক তৌবা নুমিৎ তরেৎ (৭) নিগী মনুংদা নৎত্রগা ওথোরাইজ ওফিসরনা শাংদোরকপা অসিগুম্বা মতমগী মনুংদা মখোয়না কোট তৌবা মমল ডিপোজিট তৌগদবনি, মদু তৌদ্রবদি, মখোয়না ডিপোজিট তৌখিবা আর্নেষ্ট মনি মৎকনি অমসুং ভেহিকল অদু থীন্থবা তৌদনা য়োনগনি। ভেহিকল অদু **"লৈরিবা অমসুং উরিবা ফিভমদা"** য়োনগনি অমসুং বেঙ্কনা ফিক্স তৌবা রিজর্ভ মমলদগী তানা য়োল্লোই। ওফর পূম্নমক নৎত্রগা মখোয়গী শরুক খরা মরম অমত্তা পীদনা য়াবা নৎত্রগা রিজেক্ট তৌবগী হক মখাদা সাইন তৌরিবসিনা রিজর্ভ তৌই।

| সে/নম্বর | বোরোৱর | ভেহিকল নম্বর | রেজিষ্ট্রেসন নম্বর | রিজর্ভ মমল | কোসন মনি (ঈ এম দি) |
|---|---|---|---|---|---|
| ১ | শ্রী নিংথৌজম গৌরকিশোর সিংহ | **টাটা ট্রক (মল্টি এক্সিস গুদস ভেহিকল)** | এম এন-০১/৮৭০৯ | লুপা ৪,৭২,০০০/- | লুপা ৪৭,২০০/- |
| ২ | শ্রী নিংথৌজম গৌরকিশোর সিংহ | টাটা ট্রক (মল্টি এক্সিস গুদস ভেহিকল) | এমএন-০১/৮৭০৮ | লুপা ৩,৮০,০০০/- | লুপা ৩৮,০০০/- |

মফম : ইম্ফাল
তারিখ : ০৬.০১.২০১৮

ওথোরাইজ ওফিসর
সেন্ট্রেল বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া,
রিজনেল ওফিস, গুৱাহাটি

সেন্ট্রেল বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, ইম্ফাল ব্রাঞ্চ
এম জি এভিন্যু, থাঙ্গাল বজার, ইম্ফাল ৱেষ্ট - ৭৯৫০০১
ঈ-মেল - bmguwa1680@centralbank.co.in

HL-P/343/6